HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাও

The Largest Circulated Newspaper in Manipur




এপ্রিল ১৭, ২০১৭তা জিরি লম্বীগী সিনাম খুলদা গাড়ী খামদুনা চাক থোংলিঙৈদা শকখঙদবশিংনা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখিবা ড্রাইভর সোরোকখাইবম বাবুগী মচানুপীদা মণিপুর ড্রাইভরস এসোসিএসনগী মায়কৈদগী শেলগী তেংবাং খুৎশিন্নবা


মমাংঙৈদগী থানরক্লিবা ফদিগোম থাবগী কাঙলোন্দা ... ☛ লামায় ২

লামায় ৪ ☛ অঙাং ওইরিঙৈগী য়াউশঙদো

‘লৌ পানখিদ্রবা লৌফমশিং অমুক হন্না শীজিন্নহল্লু’ ☛ লামায় ৬

লামায় ৮ ☛ আই এন দি আই এ ব্লোককী ‘লোকতন্ত্র বচাও রেল্লি’ ...

(মীয়াম্না পাবীয়ু, নৈনবীয়ু) ‘মণিপুরগী লানগী মতাংদা ..... . ☛ লামায় ৯

লামায় ১০ ☛ পান্থোই চনুনা ইন্দিয়াগী অহানবা ফুটবোল্লর ওইনা...


লানগী ৱারোইশিন পুরক্লিঙৈদা মণিপুরদা পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলদা শরুক য়ারোই হায়না সিখোং খুনৌগী মৈরা পায়বীশিংনা ৱাকৎ খোঙজং চঙশিন্দুনা ৱারেপ লৌমিন্নখিবা





Vol. 48, Issue No. 003 | নোংমাইজিং, লমতাগী ২১নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Sunday, March 31, 2024, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.00


### মীরেপ চে লৌথোকপগী অরোইবা মতম লোইশিনখ্রে

# ইন্নরদা ৬, আউটরদা ৪না লম্বা তৌনরগনি

**ইম্ফাল, মার্চ ৩০ (ঐচএনএস) :** মথং থাগী ১৯ অমসুং ২৬তা তাঙ্কক অনী থোক্লা পাঙথোক্কদৌরিবা মণিপুরগী ১৮শুবা লোক সভা মীখল-২০২৪দা ষ্টেট অসিগী ইন্নর অমসুং আউটর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সি অনীদা মীরেপ ওইগদবশিংগী নোমিনেসন পেপরশিং ফাইল তৌরকখিবগা লোয়ননা স্ক্রুটিনিদা ইন্নরগী অপূনবা মীরেপ ৭কী মনুংদা অমা রিজেক্ট তৌখ্রবা মতুংদা লৈহৌবা মথংশিংনা ইন্নরগী মীরেপ ৬ অমসুং আউটরগী মীরেপ ৪না ঙসি মীরেপ চে লৌথোকপগী অরোইবা পুংফম ফাওবদা কনামত্তনা ফাইল তৌনরকখিবা নোমিনেসন পেপরশিং ৱিথদ্রো তৌনখিদবদগী মীখল অসিদা ইন্নরদা ৬ অমসুং আউটরদা ৪না লম্বা তৌনরগনি।

থা অসিগী ২০দা থোকখিবা ইলেক্সন নোটিফিকেসনগী মতুংইন্না পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সি অনীদা মীরেপ ওইনবগীদমক নোমিনেসন পেপর ফাইল তৌরকখিবশিংগী মনুংদগী মীরেপ চে লৌথোক্লিংবা য়াওরবদি ঙসি নুংথিল পুং ৩ ফাওবগী মনুংদা লৌথোকপগী অয়াবা পীখিবনি। অদুম ওইনমক স্ক্রুটিনিদা য়াখ্রবা মীরেপশিংনা ইন্নর অমসুং আউটরদগী মীরেপ চে লৌথোক্লখিদবনা মীখল অসিদা লম্বা তৌনগদৌরিবনি।

## মণিপুরদা কোংগ্রেস অমসুং বি জে পিগী ইলেক্সন কেম্প্যেনদা শরুক য়াগদবা মীওই ৪০/৪০গী মমিংশিং লাউথোকখ্রে

**১৮শুবা লোক সভা মীখল (মণিপুর), ২০২৪**

**ইন্নর**

১) প্রোফেসর অঙোমচা বিমোল অকোইজম - আই এন সী
২) থৌনাওজম বসন্তকুমার - বি জে পি
৩) মহেশ্বর থৌনাওজম - আর পি আই (অথৱালে)
৪) আর কে সোমোরেন্দ্র (কাইকু) - ইন্দিপেন্দেন্ট
৫) মোইরাংথেম তোতোমসনা নোংশাবা - ইন্দিপেন্দেন্ট
৬) হাওরুংবম সরত - ইন্দিপেন্দেন্ট

**আউটর**

১) অলফ্রেদ কানঙম অর্থর - আই এন সী
২) কাচুই তিমোথি জিমিক - এন পি এফ
৩) এলিসন অবোনমাই - ইন্দিপেন্দেন্ট
৪) এস খো জোন - ইন্দিপেন্দেন্ট

ইন্নরগী ওইনা মীরেপ চে পীশিল্লকখিবা কেন্দিদেটশিংদি কোংগ্রেস অমসুং ৱাখল মান্নবা পার্টি ৯ পুন্না পার্টি ১০গী কম্মন কেন্দিদেট ওইরিবা প্রোফেসর অঙোমচা বিমোল অকোইজম, মণিপুর লৈঙাক লুচিংলিবা বি জে পিগী এদ্যুকেসন অমসুং লো এন্দ লেজিসলেটিভ এফেয়রস মিনিষ্টর থৌনাওজম বসন্তকুমার, আর পি আই (অথৱালে) গী মহেশ্বর থৌনাওজম, ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ হাওরুংবম সরত, রাষ্ট্রিয়া জহিট সঙ্ঘরস পার্টিগী মীরেপ ওইনবগীদমক নোমিনেসন ফাইল তৌরকখিবা মোইরাংথেম তোতোমসনা নোংশাবা, এম পি পিগী মীরেপকীদমক ফাইল তৌরকখিবা আর কে সোমোরেন্দ্র (কাইকু) অমসুং য়ুনিভর্সিএল ...মখা লমায় ৩ কলম ১

# সুপ্রিম কোর্টনা ‘ইলেক্টোরেল বোন্দস স্কিম’ থিংজিন্দ্রিঙৈদা ফাইনান্স মিনিষ্ট্রিনা লুপা ক্রোর অমগী বোন্দ লিশীং ১০ নম্নবা অয়াবা পীরমখি

**ন্যু দেল্লী, মার্চ ৩০ (এজেন্সী) :** লৈবাক অসিগী পোলিটিকেল পার্টিশিংদা মশক মমিং ফাওবা তাকথোকহন্দনা অচৌবা শেনফমশিং তেংবাঙ ওইনা পীবদা য়ুনিয়ন লৈঙাক্না অয়াবা পীরকখিবা ‘ইলেক্টোরেল বোন্দস স্কিম’ (ঈ বি এস) বু সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়ানা ‘অন কন্সটিট্যুসনেল’ ওইবা থৌওংনি হায়রদুনা খুদক্তগী অথিংবা থমজিন্দ্রিঙৈগী মাঙওইননা বি জে পিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংলিবা য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী ফাইনান্স মিনিষ্ট্রিনা লুপা ক্রোর ১/১গী শেনফম পীবা য়াহনগদবা ইলেক্টোরেল বোন্দ লিশীং ১০ নম্নবগী অয়াবা পীথোক্লমখি।

এজেন্সীগী পাউনা হায়বদা সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়ানা ইলেক্টোরেল বোন্দস স্কিম অসিবু থিংজিন্দুনা চৎনহন্দ্রে হায়দুনা লাউথোকখিবা নুমিৎ অদুগী নুমিৎ হুমনিগী মমাঙদা নিরমলা সিথারমনগী ফাইনান্স মিনিষ্ট্রিনা সিক্যুরিটি প্রিন্টিং এন্দ মিন্টিং কোর্পোরেসন ওফ ইন্দিয়া লিমিটেদ (এস পি এম সী আই এল) দা হায়রিবা লুপা ক্রোর ১/১গী শেনফমশিং পীবদা শীজিন্নবা য়াহনগদবা ইলেক্টোরেল বোন্দস লিশীং ১০ নম্নবগী অরোইবা অয়াবা পীথোক্লমখিবনি হায়রি। অদুম ওইনমক সুপ্রিম কোর্টনা ইলেক্টোরেল বোন্দস স্কিম মূথৎতুনা চৎনহনখিদ্রবা নুমিৎ ১৫নিগী মতুং হায়বদি ফেব্রুৱারী ২৮, ২০২৪দনা অয়াবা অসিবু পীরকখিবা ফাইনান্স মিনিষ্ট্রিনা ষ্টেট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া (এস বি আই) দা খুদক্তগী ইলেক্টোরেল বোন্দ লিশীং ১০ নম্বগী থবক অদু লেপহন্নবা খঙহল্লকখি।

...মখা লমায় ৩ কলম ৭


SBI
भारतीय स्टेट बैंक STATE BANK OF INDIA
इलेक्टोरल बॉण्ड / ELECTORAL BOND
(IN THE FORM OF PROMISSORY NOTE)
VALID UPTO 15 DAYS FROM THE DATE OF ISSUE
Rupees One Thousand only
SAMPLE
Authorised Signatory

## গ্রেনেদ লংশিল্লম্লে, নোংমৈ কাপশিল্লম্লে

**ইম্ফাল, মার্চ ৩০ (ঐচএনএস):** ঙসি নুমিদাং পুং ৭.৪৫ রোম তারকপদা খাগেম্পল্লি হুইদ্রোম লৈকায়দা লৈবা লাইশ্রম মেমচা, মপুরোইবা লৈখিদ্রবা এল ভিমোগী য়ুমদা শকখঙদবশিংনা হেন্দ গ্রেনেদ ২ লংশিল্লম্বগা লোয়ননা ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## গ্রেনেদ লৈরম্লে

**ইম্ফাল, মার্চ ৩০ (ঐচএনএস):** ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.৪০ রোম তারকপদা লিলোং পি এসকী মনুং চনবা লিলোং চীংজাওদা লৈবা এম দি হুসসাপ অপোকপা লৈখিদ্রবা হবিবুর রহমনগী য়ুমগী গেটতা হেন্দ গ্রেনেদ অমা লৈরম্বদগী পুলিসকী বোম এক্সপার্টনা ঙসি নুংথিল মী শোকহন্দনা পোকখায়হনখ্রে।

## বোম পোকখায়হন্দুনা দুকান থুগাইরম্লে, বন্দ তৌখ্রে

**ইম্ফাল, মার্চ ৩০ (ঐচএনএস):** থা অসিগী ২৮গী অয়ুক অঙনবা পুং ২.৩০ রোম তারকপদা কুকি মিলিটেন্টনি চিংনবশিংনা জিরিবামগী বোড়োবেক্রা পি এসতগী অৱাং লোমদা কিলোমিটর ২.৫ রোম লাপ্পা লৈবা লমদাই খুনৌগী গ্রোসরি দুকান অমা বোম লংশিন্দুনা পোকখায়হল্লগা থুগাইরম্লে। ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

## শকখঙদবশিংনা প্রোফেসর বিমোল থিরম্লে ৱাকৎপদগী সিক্যুরিটি পর্সনেল ১০ পীরকখ্রে

**ইম্ফাল, মার্চ ৩০ (ঐচএনএস):** থা অসিগী ২৮গী নুংথিল পুং ৩ লোম তারকপদা শকখঙদবা মীওই খরনা কোংগ্রেস মীরেপ ওইরিবা প্রোফেসর অঙোমচা বিমোল অকোইজমগী য়ূমদা লাক্তুনা মহাক মশাবু থিরম্বগা লোয়ননা মহাক্কী ইমুংগী মীওইশিংদা ঙরাং অয়ুক পুং ৮ তারকপদা কোন্বীরৈ গার্দেনদা উন্ননবা খঙহল্লম্লে হায়বা ৱাফম ফোঙদোক্লদুনা কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট কে মেঘচন্দ্রনা ঙরাং মণিপুরগী দি জি পি অমসুং চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসর, মণিপুরদা অইবা চেরোল অমমম পীদুনা পার্টি অসিগী মীরেপ্তা থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং থোক্তনবা মতিক চাবা সিক্যুরিটি পর্সনেলশিং পীবিনবা হায়জখিবগী মতুংইন্না ঙসি নুমিদাং সিক্যুরিটি পর্সনেলশিং পীরক্লে হায়রি।



কোংগ্রেস প্রসিদেন্টনা ঙরাং পীখিবা চেরোলশিং অদুগী মতুংইন্না সিক্যুরিটি পর্সনেলশিং পীরক্লব্রা হায়না ঙসি নুমিদাং পুং ৯.৪৮ লোম তারকপদা কোংগ্রেসকী সিনিয়র লিদর অমদা হংখিবদা হৌজিক ফাওবগী ওইনদি সিক্যুরিটি পর্সনেলশিং পীরকপা লৈত্রি হায়রকখি। অদুম ওইনমক ঙসি নুমিদাং পুং ১১ তারমদাইদদি অনীশুবা আই আর বিগী পর্সনেল ১০ পীরকখ্রে হায়রি।

পনবা য়াবদি, কোংগ্রেস প্রসিদেন্টনা দি জি পি অমসুং সী ঈ ওদা ইখিবা চেরোল অদুদা শকখঙদবা মীওই ৫/৬ অদু অহানবদা মখোয়না লাক্তুনা থিরম্লবা মতুং পুং ১ রোম লৈরগা অমুক হন্না লাক্তুনা মখোয়না হায়বা ইন্দে হায়নসু ফোঙদোক্লমখি হায়রি। তাঞ্জা অদুদা প্রোফেসর বিমোল অকোইজমদি ময়ূমদা লৈখিদে হায়রি।

## এন আই এনা ফাখিবা মীওই ৩ থাদোরক্নবা প্রাইম মিনিষ্টর ১সুং হোম মিনিষ্ট্রিদা মেমোরেন্দম ৩ পীশিনখ্রে

**ইম্ফাল, মার্চ৩০ (ঐচএনএস) :** পিছ এগ্রীমেন্টকী খূৎয়েক পীনরক্লিবা পাম্বৈনা লুচিংবা য়ু এন এল এফকী আর্মি চীফ থোকচোম থোইবা এলিয়জ জ্ঞানেশ্বর (৪৫), ইন্টেলিজেন্স ওফিসর লাইময়ূম আনন্দ এলিয়জ ঈংবা (৫০) অমসুং সলাম লান্দাবা এলিয়জ ইবোমচাবু থা অসিগী ১৩দা এন আই এনা ইম্ফালদগী ফারগা পুখিববু কন্দিসন অমত্তা য়াওদনা থাদোরক্নদবনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি, হোম মিনিষ্টর অমিট শাহ অমসুং হোমগী মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট নিত্যাইনন্দ রায়দা থা অসিগী ২৭তা অইবা চেরোলশিং পীশিনখ্রে হায়না ময়ায় য়ুম্ফম খুমন কংলৈ অপূনবা ইতিনফম (ময়াং ইম্ফাল) গী কন্ভিনর এম খেলেন্দ্রোনা থোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা পিছ টোককী ৱাহন্থোক লৈহল্লু, মণিপুরদা ঈং-তপ্পা পুরকউ হায়বনচিংবা ৱাফমশিংসু ফোঙদোকখি। চেরোলশিং অদু পীশিল্লবা মতুংদা য়ুনিয়ন ষ্টেট মিনিষ্টরনা অথুবা মতমদা হোম মিনিষ্টরদা তকশিল্লগনি হায়বগী থাজবা পীরকখি হায়রি।

## নোংপোক সেকমাই, সিখোঙ খুনৌ অমসুং উখোংশাংগী মৈরা পায়বীশিংনা মীখল য়াওদনবা ৱারেপ্নখ্রে

**ইম্ফাল, মার্চ ৩০ (ঐচএনএস) :** হৌখিবা মে ৩দগী হৌরক্তুনা হৌজিক থা ১১ শুজিল্লক্লবা লান অসি লোইদ্রিবা ফাওবা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চল্লিবা নোংপোক সেকমাই, সিখোঙ খুনৌ অমসুং উখোংশাংগী মৈরা পায়বীশিংনা পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভা মীখল অসিদা শরুক য়াররোই হায়না ৱারেপ্নখ্রে।

ৱারেপ অসি ইন্দিয়া লৈঙাক্কী খুনেক্কী লান লোইশিন্দ্রিবা ফাওবা মীখলদা শরুক য়ারোই হায়রদুনা ঙরাং নুমিদাং নোংপোক সেকমাই, সিখোঙ খুনৌ অমসুং উখোংশাংগী মৈরা পায়বীশিংনা মাগী মাগী খুলশিংদা ৱাকৎ খোঙজং চঙশিল্লদুনা ৱারেপ্নখিবনি।

ৱাকৎ খোঙজংদা শরুক য়াখিবীশিংনা মণিপুরদা মীখল পাঙথোক্কনি হায়বসি য়ানীংদে, অৱাবা তারিবা মীয়ামদা সোলিদরিটি উৎপা ওইনা ঐখোয় মীখল অসিদা শরুক য়াররোই হায়না ফোঙদোকখি। লোয়ননা লান অসি লোইদ্রিবা ফাওবা মীখল অমত্তদা শরুক য়ারোই, য়াফমসু থোক্তে হায়না ফোঙদোকখি।

## ‘রিলিফ কেম্পতা ফাওবা ইমুংগী মীওইশিং মচোই-মচোই লৈহনবীরিবা করিগীনো’

**হকথেংনবা পাউদম**
*খ্বালতাবী মমাঙ লৈকায়দগী খুঞ্জা অমা*

**ইম্ফাল, মার্চ ৩০ (ঐচএনএস) :**

য়ুমলোন্নরা লৈমিন্নরকপা কুকি লমহেনবশিংনা ইয়ুম ইকৈ তুম্না মৈ থাদোক্তুনা তান্থোরকপদগী লাঞ্জেন্নরক্তুনা লম্লাইদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌদুনা লৈরক্লবা ফাওবদা ইচা-ইমৌ অমসুং ইশুশিংগা পুন্না লৈমিন্নবা ফংদনা মচোই-মচোই তাহন্দুনা লৈহনবীরিবা করিগীনো হায়না মশাগী চহী ৬৩শুরক্লবা খ্বালতাবী মমাঙ লৈকায়দগী ওইনাম বিরেননা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্লা হায়, ঐগা ঐগী লোয়নবী ইবেমচাগনা লম্লাইগী রিলিফ কেম্পতা লৈরি। ইচা-ইমৌ অমসুং ইশুশিংনা শওম্লুংদা হাংবা রিলিফ কেম্পতা লৈরি। লান হৌরক্লিঙৈগী মমাঙদা খ্বালতাবীদা লৌ-শিং উদুনা হিংজরকখিবনি। ফৌসু য়াম্না থোকপনিনা লৈকায়গী



থৌদোক ৱাথোক থোরকপদা ফৌ শঙবাই অমা/অনী তাইথোক্লগা পোৎয়েং পীবা কোন্নৈ। লৌ খক্তা নত্তনা ইঞ্জোলদসু এঞ্জাং-নাপি ...মখা লমায় ৩ কলম ২

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

**HL Poll**

Q : Langi cheitheng nanglakliba meeyamna meekhal ashida chap chaba wayel pihoubana meekhal ashigi wahanthok henna mayek sengloidra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes | No

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

**NGARANG GI RESULT**

Q : Langi cheitheng nanglaba Manipurgi Votersinggi thammoibu sel/nongmeina namduna humlaga puduna mai pakhanningba meerep thagatpa ngamgadra?

Yes 48% No 52%

**অস! লোইরেহে!**

- ঐনা থাদবা অমত্তা কাখিদ্রি।



- অদুদি ঐনা পোহন্নীংবা অমা লৈ মঙোন্দা থাদবীরো।




HL-B/8670/31


## লাঞ্জেন্নরিবশিংগী অখন্নবা পোল্লিং ষ্টেসন ৯৪ থমগদৌরি

**ইম্ফাল, মার্চ ৩০ (ঐচএনএস) :** তাঙ্কক অনী থোক্লা পাঙথোক্কদৌরিবা মণিপুরগী ১৮শুবা লোক সভা মীখলদা লাঞ্জেন্নদুনা রিলিফ কেম্পশিংদা নৎত্রগা অতোপ্পা মফমশিংদা চঙজফম লৌরক্লিবা ভোটরশিংনা ভোট থাদবা ঙম্নবগীদমক মখোয়-মখোয়গী আই দি ফোর্মশিং পীশিল্লক্লবা মণিপুরগী জোইন্ট সী ঈ ও, এস দৌলাট খাননা ঙসি থোরকপা নোটিফিকেসন অমনা খঙহল্লকপগা লোয়ননা লাঞ্জেন্নরিবশিংগীদমক অখন্নবা পোল্লিং ষ্টেসন ৯৪ থৌরাং তৌগনি হায়রি।

আই দি ফোর্মশিং অসি মরী লৈনবা দি ঈ ও/বি সী নৎত্রগা এ আর ওশিংদগী লৌবা য়াগনি নৎত্রগনা সী ঈ ও, মণিপুরগী ৱেবসাইট ceomanipur.nic.inদগী লৌথবা য়াগনি হায়রি। লাঞ্জেন্নরিবশিংগীদমক অখন্ননা লৈগদবা পোল্লিং ষ্টেসনশিংদি ইম্ফাল ৱেষ্ট-৮, ইম্ফাল ইষ্ট-৯, বিষ্ণুপুর-২২, থৌবাল-২, ককচীং-৫, চুড়াচান্দপুর-১৫, কাংপোকপী ২৪, তেংনৌপল-৪, জিরিবাম-১ অমসুং উখ্রুলদা পোল্লিং ষ্টেসন ৪ ওইগনি হায়রি।